# অসাম-নাগালেন্দ বোর্দরদা গাড়ী হুরানবা গেং ফারে

গুৱাহাটি, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী):
গোলাঘাট পুলিসনা অসাম-নাগালেন্দ বোর্দর পরিংগী মফম অমদগী গাড়ী হুরানবা মীওই অহুমগী খূৎপু অমা ফারে। গোলাঘাট পুলিসনা ফরবা গাড়ী হুরানবশিংদু মেরাপানিদগীনি। মখোয় পুলিসনা মশক খঙদোকপা ঙমখ্রে। মীওই অহুমদুগী মমিংশিংদি জুন্টি অলি, মুনিম সেনসুৱা অমসুং বিক্রম কাচারিনি। গাড়ী হুরানবা মীওইশিং ফাবা ঙমখিবা অসিনা গোলাঘাট দিষ্ট্রিক্টতা কন্না এক্তিভ ওইরক্লিবা গাড়ী হুবগী রেকেটতা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি।

বিহু কুম্মৈ মনুং নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা গোলাঘাটতগী মোতোরসাইকল অমা হুরানখ্রবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নোংমাইজিং নুমিত্তসু বাইক হুরানবগী অতোপ্পা থৌদোক অমা থোকখি।

বাইক হুরানবগী থৌদোক মথং মথং থোক্লকপদগী গোলাঘাট পুলিস মিৎকুপ নাহুম শিংনা লৈরকখি। মমৈথংদা এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস পানেশ্বর সিংহগী লিচিং মখাদা গোলাঘাট পুলিসকী টিম অমনা অসাম-নাগালেন্দ বোর্দরগী মেরাপনিদগী গাড়ী হুরানবা মীওই অহুমগী খূৎপু অমা ফাবা ঙমখি। গাড়ী হুরানবশিং ফাবগী থবক্তুদা মেরাপানি পুলিসনা মতেং পাংখি।

গোলাঘাট পুলিসনা মখোয়দগী মোতোরসাইকল অহুমসু লৌখৎখি। হুরানবশিংদগী রিকোভর তৌখিবা মোটোরসাইকলশিংদুগী মনুংদা ইনফিল্ড বুলেট অনী অমসুং স্কুটি অমা য়াওরি। বাইক হুরানবা জুন্টি অলি গোলাঘাটকী কচারিহটতা লৈবা মীওইনি অমসুং অতৈ গাড়ী হুরানবা অনী হায়বদি মুনিল সেনসুৱা অমসুং বিক্রম কচারিনা জোরহাট দিষ্ট্রিক্টকী সেনিজানদগীনি।




আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ককচিং বটালিয়নগী ২৮ সেক্তর অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সুগ্নুগী বেরু খুদাম ভিলেজদা পাঙথোকখিবা ক্লিনলিনেস ড্রাইভকী থৌরমদা শরুক য়াখিবা খুঞ্জাশিং

# জে দি (য়ু)গী এম এল এ কোভিদ-১৯ নাবদগী লৈখিদ্রে

পটনা, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী):
বিহারগী হান্নগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী এম এল এ মেৱালাল চৌধরি কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে।

চৌধরি নুমিৎ হুম্নিগী মমাঙদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা ষ্টেট কেপিটেলগী পারাস হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মহাক অরুবা লং ইনফেক্সন লৈখি। মহাক নুমিৎ খরনি নাবদা ফিভম ফগৎলক্তবদগী ইমুংগী মীওইশিংনা পারাস হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবনি।

মহাক কুমজা ২০২০গী বিহার এসেম্ব্লি ইলেক্সন্দা টারাপুর এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মায় পাকখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারগী কেবিনেটতা ষ্টেট এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইহনখি। করপসনগী মরাল কয়া শীরকপদগী মহাক বিহারগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী চার্জ পুগদবা পুং খরখক্তা ঙাইরবা মতমদা মফম থাদোকখি।

মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা ওপোজিসন রাস্ত্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)না নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টপু ষ্টেট অদুগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর পূমশি শিহল্লে হায়না মরাল শীখি।

আর জে দিগী স্পোক্সপর্সন মৃত্যুঞ্জয় তিৱারিনা হায়, এম এল এ অমা লৈখিদবা অসি বিহারগী হেল্থ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফিভম শোকচিল্লকপগী মরু ওইবা খুদম চাংদম অমনি। নিতিশ কুমার গভর্ণমেন্টনা এম এল এ ফাওবদা লায়েংবীবা ঙমদে। মীচমদদি করি থোক্কনি হায়বসি নৈনবা য়াই।

# বিবেকানন্দ কেন্দ্র বিদ্যালয়াগী প্রিন্সিপল কোভিদ পোজিটিভ ওইরে, এপ্রিল ৩০ফাওবা স্কুল অসিগী ক্লাসশিং লেপ্লগনি




দিব্রুগর, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী):
অসামগী দিব্রুগরদা লৈবা বিবেকানন্দ কেন্দ্র বিদ্যলয়াগী প্রিন্সিপাল কোভিদ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বদগী স্কুল অসিগী ক্লাসশিং এপ্রিল ৩০ ফাওবা লেপ্লগনি।

কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ অসামদা মীপায়নিংঙাই ওইনা কনখৎলক্লি। ষ্টেট অসিগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টতসু অনৌবা পোজিটিভ কেস কয়া দিটেক্ট তৌরে। অমরোমদা দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটি ইন্সটিট্যুট ওফ ইঞ্জিন্নিয়ারিং এন্দ টেক্নোলোজি (দি য়ু আই ঈ দি) গী ৭ শুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবা মহৈরোয় অমসু কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্লে।

মহৈরোয় নুপী অদু এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোকখিবা এগজাম অমা থাখি হায়রি। পনবা য়াবদি দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিনা এপ্রিল ১৯ অমসুং ২০ দা পাঙথোক্লবা লেপখিবা পি জি এগজাম খুদিংমক য়ৈথোকখ্রবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা দিব্রুগরদা পুন্না মীওই ৫৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি। চৈরকসিদা দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্লাস সিক্সতগী ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী স্কুলশিং নৌনা অমুক হাংদোকপা য়ানবগী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) অমা ইশ্যু তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তগী পাবা হৌরগা নুমিৎ ১৫ নিগী কোভিদকী ফীভম মোনিটর তৌরবা মতুংদা এস ও পি অদু অপদেট তৌগনি। গভর্ণমেন্ট/ প্রোভিনসিএলাইজ/ প্রাইভেট স্কুল পুম্নমক্কী প্রি-প্রাইমারি অমসুং প্রাইমারি ক্লাসশিং অনীমক মে ৮ ফাওবা থোঙ লোনগনি।

এস ও পি অদুগী মতুং ইন্না প্রি-প্রাইমারি অমসুং প্রাইমারি ক্লাসশিংগী মহৈরোয়শিং একাদমিক কেলেন্দরগী মতুং ইন্না ওন লাইন ক্লাসশিং য়াওবা য়াগনি। অনৌবা এস ও পি অসিদা মখল মখা কয়াগী চেকশিন থৌরাংশিংগা লোয়ননা স্কুলশিং অসিনা গ্রেদ সিক্সতগী টুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা ক্লাস য়াওবা য়ানবগী তাংদাংবা কাঙলোন খরসু খঙহনখি।

# বি জে পি হায় কম্মান্দনা এম দি সীশিং জি ঐচ এ দি সীগী এন পি পিনা লুচিংবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা য়াওবা য়াহনখ্রে




শিলোং, এপ্রিল ১৯ (এজেন্সী):
বি জে পি হায় কম্মান্দনা মেঘালায়াগী বি জে পিবু গারো হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (জি ঐচ এ দি সী) দা এন পি পি গা খূৎশম্ননা থবক তৌমিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে।

মেঘালায়াগী বি জে পি প্রসিদেন্টে আর্নেষ্ট মাওরিনা ফোঙদোরকখিবদা, করিগুন্বা এন পি পিনা ইনভাইট তৌরক্লবদি পার্টিগী ইলেক্তেদ এম দি সী অনী জি ঐচ এ দি সীগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি য়াওবা য়াগনি হায়না হায় কম্মান্দনা খঙহল্লক্লে। হায় কম্মান্দনা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না অকক্লবা কন্দিসন খরদা ইগজিক্যুটিভ কম্মিটি (ঈ সী) দা য়াওরগনি।

মাওরিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, জি ঐচ এ দি সীগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেম্বগী মতাংদা এন পি পিনা ইনভাইট তৌরক্ত্রি। ষ্টেট অসিদা পার্টিনা লৌগদবা অরোয়বা ৱারেপ অদু ষ্টেট প্রসিদেন্টনা নৎত্রগা মহাক্না তান্নরগা লৌগনি। ঈ সীদা য়াওনবা এন পি পিনা ইনভাইট তৌরক্লবদি ঐখোয়গী মায়কৈদগী মদুগী কন্দিসনশিং থমগনি।

মমাংদা করিগুন্বা বি জে পিগা খূৎশম্নরগা অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেম্বা তারবদি মহাকপু জি ঐচ এ দি সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইহনগদবনি। চৈরকসিদা বর্নাদ মরাকনা হায়রি মদুদি, বি জে পিনা মেঘালায়াগী গভর্ণর সত্য পাল মালিকনা উন্নদুনা মেম্বর ১৫ না জি ঐচ এ দি সীগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেম্বদা য়ানিংদবা উৎকনি।

কুমজা ২০০০ দা হায় কোর্টনা পাস তৌখিবা ওর্দর অমদা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমা শেম্বা য়াবা জি ঐচ এ দি সীগী মেজোরিটি অদু মেম্বর ১৭ ওইগদবনি ১৫ না ওইবা য়ারোই হায়না ময়েক শেংনা পনখি।


জি ঐচ এ দি সীদা হৌজিক মেম্বর ২৯ লৈ। মসিগী তঙ্খাই অমা হায়বা তারবদি মেম্বর ১৫ ওইগদবনি। মেম্বর অমা মেঘালায়া গভর্ণরনা নোমিনেট তৌবা তারবদি কাউন্সিলগী মেম্বর ৩০ শুরগনি। এন পি পিনা লুচিংবা গারো হিলস দেমোক্রেটিক কোলিসন (জি ঐচ দি সী) গী মেম্বর ১৫ লৈ। মখোয়না জি ঐচ এ দি সীগী অনৌবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি শেম্নবা ক্লেম তৌখি।

## EMPLOYMENT NEWS

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 30th April 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 ? 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 ? 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 ? 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 ? 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021.

Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online / offline applications from eligible candidates, who have passed 8th standard, 10th 12th class Pass, Degree and Posts Graduates. The OPSC recruitment of various level of positions such as Officers, Assistants, Civil Services, Faculty, Technical and Non Technical Posts.
Latest OPSC Jobs 2021 - Odisha Public Service Commission Vacancy 2021 List:
Name of the Post – Total Vacancies
Odisha Jobs Link
Last Date
Post Graduate Teachers - 139
OPSC Advt No. 12/2020-21
23/04/2021
Scientific Officer - 22
OPSC Advt No. 10/2020-21
05/04/2021
Medical Officers (Assistant Surgeon) - 2452
OPSC Advt No. 09/2020-21
25/03/2021
Assistant Professor - 504
OPSC Advt No. 08/2021
14/03/2021
Group A, Group B Posts - 392
OPSC Civil Service Exam 2021
22/02/2021
Odisha Teacher Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online applications from eligible candidates for recruitment to the posts of Post Graduate Teachers (PGT) under Science Stream in Group 'B' of State service for the Higher Secondary Schools functioning SC and ST Development Department. The online registration process will be start from 24th March 2021 to 23rd April 2021.
ADVERTISEMENT NO. 12 OF 2020-21
Name of the Post
Total Vacancies
Post Graduate Teachers (PGT)
139
Vacancy Positions:
Physics - 22
Chemistry - 23
Zoology - 14
Botany - 11
Mathematics - 21
Odia - 27
English – 21
Age Limit:
21 to 32 years as on 1st day of January 2021
He / She must have been born not earlier than 2nd January 1989 and not later than 1st January 2000.
Pay Scale: Pay Band of Rs 44,900/- in Level 10 of Cell-1 under ORSP Rules, 2017
Educational Qualifications:
Master's Degree (Post Graduate) in concerned subject from a recognized university with at least 50% marks in aggregate. (OR) Post Graduate M.Sc. course from Regional College of Education NCERT in the concerned subject with minimum 50% marks in aggregate.
B.Ed. or equivalent degree recognized university.
Exam Fee:
A Non refundable fee Rs. 500/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST of Odisha and Person with Disability.
Selection Process:
Written Examination
Viva Voce Test
How to Apply: Eligible candidates must apply online through OPSC Online Portal (opsc.gov.in) from 24th March 2021. The last date for registration of online applications is 23/04/2021 up to 11:59 PM.


## CROSSWORD-3757



**ACROSS**
1 Silent (4)
3 Upper arm joint (8)
9 Countryside walker (7)
10 Stop (5)
11 Progeny (5)
12 Hole for a lace or cord (6)
14 Rodent often kept as a pet (6,7)
17 Embellishes (6)
19 Take eagerly (5)
22 Edible bulb (5)
23 Eminent (7)
24 Cooked egg dish (8)
25 Military force (4)

**DOWN**
1 Matrimony (8)
2 Books (5)
4 Tree producing conkers (5,8)
5 Male relative (5)
6 Local variety of language (7)
7 Regretted (4)
8 Sheep's coat of wool (6)
13 Predict (8)
15 Technology opposer (7)
16 Powerful (6)
18 Wash in clean water (5)
20 Fossil resin used for jewellery (5)
21 Proverbially extinct bird (4)

**Solution 3756**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3556

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 7 | | | 8 | | |
| | | 7 | 2 | | | | 3 | |
| | 4 | | | 5 | | 2 | | 1 |
| | | 9 | 6 | | | | | |
| 7 | | | 3 | | 2 | | | 8 |
| | | | | | 7 | 5 | | |
| 5 | | 6 | | 3 | | | 8 | |
| | 2 | | | | 6 | 4 | | |
| | | 1 | | | 8 | | | 5 |

### Solution-3555

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 5 | 6 | 2 | 1 | 9 | 3 | 8 |
| 1 | 3 | 9 | 5 | 7 | 8 | 6 | 4 | 2 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 7 |
| 7 | 1 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 3 |
| 5 | 6 | 2 | 3 | 8 | 4 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 9 | 3 | 7 | 1 | 5 | 4 | 2 | 6 |
| 9 | 4 | 7 | 8 | 5 | 2 | 3 | 6 | 1 |
| 2 | 5 | 6 | 1 | 3 | 9 | 7 | 8 | 4 |
| 3 | 8 | 1 | 4 | 6 | 7 | 2 | 9 | 5 |

